Test Booklet No.
परीक्षा पुस्तिका संख्या

28674

This booklet contains 20 pages.
इस पुस्तिका में 20 पृष्ठ हैं ।

# JBC – 12A

**PAPER I / प्रश्न-पत्र I**

**PART IV & V / भाग IV & V**

**Manipuri Language Supplement**

**मनीपुरी भाषा परिशिष्ट**

Test Booklet Code
परीक्षा पुस्तिका संकेत

**F**

**Do not open this Test Booklet until you are asked to do so.**
**इस परीक्षा पुस्तिका को तब तक न खोलें जब तक कहा न जाए ।**
**Read carefully the Instructions on the Back Cover (Page 19 & 20) of this Test Booklet.**
**इस परीक्षा पुस्तिका के पिछले आवरण (पृष्ठ 19 व 20) पर दिए निर्देशों को ध्यान से पढ़ें ।**

**For instructions in Manipuri see Page 2 of this booklet. / मनीपुरी में निर्देशों के लिए इस पुस्तिका का पृष्ठ 2 देखें ।**

## *INSTRUCTIONS FOR CANDIDATES*

1. This booklet is a supplement to the Main Test Booklet for those candidates who wish to answer **EITHER** Part IV (Language I) **OR** Part V (Language II) in **MANIPURI** language, but **NOT BOTH**.
2. Candidates are required to answer Parts I, II, III from the Main Test Booklet and Parts IV and V from the languages chosen by them.
3. Questions on English and Hindi languages for Part IV and Part V have been given in the Main Test Booklet. Language Supplements can be asked for separately.
4. Use **Blue / Black Ball Point Pen only** for writing particulars on this page / marking responses in the Answer Sheet.
5. The CODE for this Language Booklet is **F**. Make sure that the CODE printed on **Side-2** of the Answer Sheet and on your Main Test Booklet is the same as that on this Language Supplement Booklet. In case of discrepancy, the candidate should immediately report the matter to the Invigilator for replacement of the Language Supplement Test Booklet.
6. This Test Booklet has **two** Parts, IV and V, consisting of **60** Objective Type Questions, each carrying 1 mark :
   Part IV : Language I – (Manipuri) *(Q. 91 to Q. 120)*
   Part V : Language II – (Manipuri) *(Q. 121 to Q. 150)*
7. Part IV contains 30 questions for Language I and Part V contains 30 questions for Language II. In this Test Booklet, only questions pertaining to Manipuri language have been given. **In case the language/s you have opted for as Language I and/or Language II is a language other than Manipuri, please ask for a Test Booklet that contains questions on that language. The languages being answered must tally with the languages opted for in your Application Form.**
8. **Candidates are required to attempt questions in Part V (Language II) in a language other than the one chosen as Language I (in Part IV) from the list of languages.**
9. Rough work should be done only in the space provided in the Test Booklet for the same.
10. The answers are to be recorded on the OMR Answer Sheet only. Mark your responses carefully. No whitener is allowed for changing answers.

## *परीक्षार्थियों के लिए निर्देश*

1. यह पुस्तिका मुख्य परीक्षा पुस्तिका की एक परिशिष्ट है, उन परीक्षार्थियों के लिए जो **या** तो भाग IV (भाषा I) **या** भाग V (भाषा II) **मनीपुरी** भाषा में देना चाहते हैं, लेकिन **दोनों नहीं** ।
2. परीक्षार्थी भाग I, II, III के उत्तर मुख्य परीक्षा पुस्तिका से दें और भाग IV व V के उत्तर उनके द्वारा चुनी भाषाओं से ।
3. अंग्रेज़ी व हिन्दी भाषा पर प्रश्न मुख्य परीक्षा पुस्तिका में भाग IV व भाग V के अन्तर्गत दिए गए हैं । भाषा परिशिष्टें को आप अलग से माँग सकते हैं ।
4. इस पृष्ठ पर विवरण अंकित करने एवं उत्तर पत्र पर निशान लगाने के लिए **केवल नीले/काले बॉल पॉइंट पेन** का प्रयोग करें ।
5. इस भाषा पुस्तिका का **संकेत** है **F**. यह सुनिश्चित कर लें कि इस भाषा परिशिष्ट पुस्तिका का संकेत, उत्तर पत्र के **पृष्ठ-2** एवं मुख्य प्रश्न पुस्तिका पर छपे संकेत से मिलता है । अगर यह भिन्न हो तो परीक्षार्थी दूसरी भाषा परिशिष्ट परीक्षा पुस्तिका लेने के लिए निरीक्षक को तुरन्त अवगत कराएँ ।
6. इस परीक्षा पुस्तिका में **दो** भाग IV और V हैं, जिनमें **60** वस्तुनिष्ठ प्रश्न हैं, जो प्रत्येक 1 अंक का है :
   भाग IV : भाषा I — (मनीपुरी) *(प्र. 91 से प्र. 120)*
   भाग V : भाषा II — (मनीपुरी) *(प्र. 121 से प्र. 150)*
7. भाग IV में भाषा I के लिए 30 प्रश्न और भाग V में भाषा II के लिए 30 प्रश्न दिए गए हैं । इस परीक्षा पुस्तिका में केवल मनीपुरी भाषा से संबंधित प्रश्न दिए गए हैं । **यदि भाषा I और/या भाषा II में आपके द्वारा चुनी गई भाषा(एँ) मनीपुरी के अलावा है तो कृपया उस भाषा वाली परीक्षा पुस्तिका माँग लीजिए । जिन भाषाओं के प्रश्नों के उत्तर आप दे रहे हैं वह आवेदन पत्र में चुनी गई भाषाओं से अवश्य मेल खानी चाहिएँ।**
8. **परीक्षार्थी भाग V (भाषा II) के लिए, भाषा सूची से ऐसी भाषा चुनें जो उनके द्वारा भाषा I (भाग IV) में चुनी गई भाषा से भिन्न हो ।**
9. रफ कार्य परीक्षा पुस्तिका में इस प्रयोजन के लिए दी गई खाली जगह पर ही करें ।
10. सभी उत्तर केवल OMR उत्तर पत्र पर ही अंकित करें । अपने उत्तर ध्यानपूर्वक अंकित करें । उत्तर बदलने हेतु श्वेत रंजक का प्रयोग निषिद्ध है ।

Name of the Candidate (in Capitals) : ______________________
परीक्षार्थी का नाम (बड़े अक्षरों में ) :
Roll Number (अनुक्रमांक) : in figures (अंकों में) ______________________
: in words (शब्दों में) ______________________
Centre of Examination (in Capitals) : ______________________
परीक्षा केन्द्र (बड़े अक्षरों में ) :
Candidate's Signature : ______________ Invigilator's Signature : ______________
परीक्षार्थी के हस्ताक्षर : निरीक्षक के हस्ताक्षर :
Facsimile signature stamp of Centre Superintendent ______________________

SEAL

বুক্‌লেট্‌সি লমায় 20 য়াওই ।

# JBC – 12A

টেস্ট বুক্‌লেট্‌ কোড

**F**

## পেপর I
## ভাগ IV & V
## মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট

**হায়রক্তিফাওবা টেস্ট বুক্‌লেট্‌ অসি হাংদোক্কনু ।**

**বুক্‌লেট্‌সিগী নীতি-নীয়মশিং (instructions) (সাইদ 19 & 20) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ ।**

*কেন্দিদেটসিংদা পীবা ইন্সট্রক্সনসিং*

1. বুক্‌লেট্‌সি **মণিপুরী** লেঙ্গুয়েজদা পার্ট IV (লেঙ্গুয়েজ I) **নত্রগা** পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II) দা পরিক্ষা থানিংবা কেন্দিদেটসিংগীদমক ম্যেন টেস্ট বুক্‌লেট্‌তুগী সপ্লিমেন্ট অমনি । অনিমক্তি পুন্না পরিক্ষা থাবা য়ারোই ।
2. কেন্দিদেটসিংনা ম্যেন টেস্ট বুক্‌লেট্‌তগী পার্ট I, II, অমসুং III অসমুং মখোয়না খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদগী পার্ট IV অমসুং V কী পাউখুম পীবা দরকার লৈ ।
3. ইংরাজি অমসুং হিন্দী লেঙ্গুয়েজসিংগী পার্ট IV অমসুং পার্ট V ৱাহংসিং ম্যেন টেস্ট বুক্‌লেট্‌তা পীরে । লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্টসিংগীদমক তোঙান্না হংবা য়াই ।
4. লমায়সিদা পার্টিকুলারসিং **ইননবা ব্লু/ব্লেক বোল পোইন্ট পেনখক্তংমক** শীজিন্নৌ ।
5. লেঙ্গুয়েজ বুক্‌লেট্‌সিগী **কোডতি F** নি । আনসর শীতকী **সাইড-2** দা ইরিবা কোডতুগা অমসুং ম্যেন টেস্ট বুক্‌লেট্‌তা ইরিবদুগা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্‌লেট্‌কীসিগা চপ মান্নব্রা হায়না য়েংউ ! মান্নদবা থোক্লবদি কেন্দিদেটনা খুদক্তা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্‌লেট্‌ অদু শীন্দোক্লবা ইনভিজিলেটরদা রিপোর্ট তৌগদবনি ।
6. বুক্‌লেট্‌ অসিগী পার্ট **অনিনি** – IV অমসুং V । মসিদা ৱাহং অমমমদা মার্ক অমা পীবা ৱাহং 60 য়াওই ।
   পার্ট IV : লেঙ্গুয়েজ I – (মণিপুরী) *(ৱা : 91 দগী ৱা: 120)*
   পার্ট V : লেঙ্গুয়েজ II – (মণিপুরী) *(ৱা : 121 দগী ৱা: 150)*
7. পার্ট IV লেঙ্গুয়েজ I গী ৱাহং 30 য়াওই অমসুং পার্ট V লেঙ্গুয়েজ II গী ৱাহং 30 য়াওই । বুক্‌লেট্‌ অসিদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদংগা মরিলৈনবা ৱাহং হংই । **নহাক্না নঙগী লেঙ্গুয়েজ I অমসুং নত্রগা II ওইনা খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদু মণিপুরী নত্রবদি লেঙ্গুয়েজদুদা ৱাহং হংবা টেস্টবুক্‌লেট্‌ অমা পীনবা হায়বীয়ু ।** পাউখুম পীরিবা লেঙ্গুয়েজসিংদু নহাক্কী এপ্লিকেশন **ফোর্মদা ইথিবা লেঙ্গুয়েজসিংগা মান্নগদবনি ।**
8. **কেন্দিদেটসিংনা লেঙ্গুয়েজসিংগী লিষ্টতগী লেঙ্গুয়েজ I ওইনা খনখিবদু নত্তবা অতোপ্পা লেঙ্গুয়েজ অমদা পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II) দা য়াওরিবা ৱাহংসিংগী পাউখুম পীবা দরকার লৈ ।**
9. টেস্ট বুক্‌লেট্‌তা পীরিবা মফমদুতদা রফ ৱর্ক তৌগদবনি ।
10. পউখুমসিংদু OMR পাউখুম চেদা ইগদবনি । নঙগী পাউখুসিংদু চেকসিন্না মার্ক তৌ । পাউখুমসিং হোংনবা মুক অঙৌবা শীজিন্নবা য়াদে ।

কেন্দিদেটকী মীং (অচৌবা ময়েক্তা) : ______________________

রোল নম্বর : অঙ্ক ময়েক্তা ______________________

: ৱাহৈদা ______________________

পরীক্ষাগী সেন্টর (অচৌবা ময়েক্তা) : ______________________

কেন্দিদেটকী সিগনেচর : ______________ ইনভিজিলেটরগী সিগনেচর : ______________

Facsimile signature stamp of
Centre Superintendent ______________________

Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for **MANIPURI** as **LANGUAGE – I.**

# PART IV
# LANGUAGE I
# MANIPURI

*তৌগদবা মওং তকপা : পীরিবা শৈরেংসি পারগা খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীয়ু । (ৱাহং 91 দগী 96 ফাওবা)*

ঙসিদি পুন্সিগী, অনৌবা ঈচেন্দা
অনৌবা ঈথক্লা হৌরকলে ।
ৱাখলগী ঈপাক্তা, অৱাংবা ঈরৈনা
পূক্লিংবু থুম্মৎনা কারকলে ।
মৈতৈগী ঈপাক্লা, মাঙদা ঙানবদু
ইমীৎনা উজবা ফংজরে ।
মৈতৈগী ঈপক্লি মাঙদা ঙাল্লিবা,
ঐথোয়গী লোক্তাক হায়বসে ।

**91.** করম্না অনৌবা ঈথক হৌরকপগে ?

(1) অনৌবা চীংজাও উবদগী

(2) অনৌবা লমপাক উবদগী

(3) পূন্সিগী ঈথক হৌরে

(4) ঙসিগী পূন্সিগী ঈচেন্দা

**92.** করম্বা ঈরৈনা পূক্লিং থুম্মৎপগে ?

(1) অৱাংবা ঈরৈনা পূক্লিং থুম্মৎলে

(2) পূক্লিংবু অৱাবা ঈরৈনা ৱাহল্লে

(3) অৱাংবা ঈরৈনা পূক্লিং ৱাহল্লে

(4) অনৌবা ঈরৈনা পূক্লিং ৱাহল্লে

**93.** ইমীৎনা করিবু উবা ফংবগে ?

(1) ঈপাক্লা মাঙদা ঙানবদু ফংজদরে

(2) মৈতৈগী ঈপাক্লি ইমীৎনা উজবা ফংজরে

(3) মীৎনা উবা ফংদৌরে

(4) মাঙদা ঙানবদু ফংদরে

**94.** লোক্তাক হায়বসি করিনো ?

(1) ঈপাক্লা মাঙদা ঙানদে

(2) ঈপাক নত্তে লোক্তাক হায়বসে

(3) মৈতৈগী ঈপাক্লি লোক্তাক হায়বসে

(4) মৈতৈগী ঈপাক নত্তে লোক্তাক হায়বসে

**95.** করি উবদা মীফম হোংদবগে ?

(1) লৈরাং হাই হুন্বদা

(2) ঈয়ায়দা লৈরাং উবদা

(3) ঈয়ায়দা লৈ শাৎপদা

(4) ফজবা লৈরাং উবদা

**96.** মীফম করম্না হোংদে ?

(1) লৈ উবদা

(2) ঈয়ায়দা শাৎলিবা লৈরাং উবদা

(3) ঈয়ায়দা লৈ শাৎপদা

(4) অশাৎপা লৈ উবদা

*তৌগদবা মওং তাকপা : পীরিবা ৱারেং মতেক অসি পারগা খ্বাইদগী চানবা পাউখুম পীয়ু । (ৱাহং 97 দগী 105 ফাওবা)*

নোংমা নুমিৎ অমা, থাবল ফরবা অহিংদা ব্রজেন্দ্রনা মৈতৈলোনগী বাসক ফাংনবা তাগে হায়না চংথোকলমই । থাবল ফবা অহিংদা পাখং, লৈশাবী মৌ-নহাশিংগী পুক্নিং লাংতক্লবসি হৌনবীনি । শংবান্নবা অতিয়াদা থৱানমিচাককা লোয়ননা থা থোক্লিবা, উ-ৱা হৈপাল-লৈপাল তুমিন তুমিন্না লেপ্পুনা লৈরবা থাবলগী পারবা নমথাং থোল্লদুনা ইমা পৃথিবীনা মবুংঙোবু খুরমজরিবা, অসি পূম্নমক উরুদনা ব্রজেন্দ্রগী পুক্নিংদসু লাংতক্লবা অমা পোক্লে । অদুদগী মান্দব মনুংদা চঙখ্রে । "বৃন্দাবনগী অমুবা থাদু অমুক হন্না থোক্লকখিনি " অসিনচিংবা খাইন-মৈচাককী খম থেংনা অৱাবা মতাং পূক্নিং হুনা শক্লম্মী ।

মথং মথং ব্রজেন্দ্রগী পূক্নিং পেৎথরক্লে । ময়ুমদা লৈহৌবী মালতীবু মরাল ইলৈ লৈতনা শাউরুরে হায়বসু থল্লক্লে । অসুম খন্ন খন্ন নুপী নহা ময়াম ফল্লিবা মাইকৈ অদোমদা হাইফেৎ য়েংশিল্লকই । নোংঙাল্লগা শাৎকদবসু থাবল ফমনখ্রদুনা অহিংদা পোমশাৎনখ্রবী লৈহাউ লৈরেনগুম্বী নুপী মচা অমা, য়াম্না চেকশিন্না, হুরান হুরান্দুনা ব্রজেন্দ্রদা য়েংলমই । ব্রজেন্দ্রনা হেক য়েংথোকখিবা অদুদা পৈনা পৈনা য়েংলম্বা মীৎ থম্বাল অনীদু খুৎনা শোল্লবা ইকাইথবী মনাগুম্না হেক উমশিনখ্রে । মীৎফমদি চিংশিনখ্রে, মপান থোকখ্রিবা ৱাখল অদুদি চিংশিনবদা মনুং য়ৌবা ঙমহৌদ্রবোই । চাইরুং অনীদা য়ৈশিনদুনা কোইরপ কোইরপ হৈয়াই অমুনবগুম্না ঙাংশং ঙাংশং ঙাংখ্রে । ইকাই-খাং ওইনা মমাঙদা তারিবা পান তাঙ্গ অদু শিংগুপ শানা শেগাইবিরে । মৱাইবক থীরবা তাঙ্গদু মরাল লৈতনা দণ্ডি ফংবদা চেৎ চেৎ হায়না মপুক্নিংগী অৱাবা ফোঙদোকখি ।

অসুম তৌনা হুরানদুনা য়েংথোকলুরগা য়েংশিন্নদবা শাদুনা মীৎফম হজিনখ্রিবী ঙাংশং ঙাংলবা চাইরুং অনীনদি হুরান্দুনা য়েংলুরে হায়না তাক্লিবা শকফম অদু উরুবা অদুদা ব্রজেন্দ্র অদু খঙহৌদনা মপাললোমদগী তেংপাক লৈতুম অমা হুজিল্লকপগুম্না মাগী থম্মোয় থক লাউনা পাল্লরে । মিহুল ফ্রং-ফ্রং চোংখ্রে, ময়াই ফজনা খায়দুনা হাৎলিবা, মুবা শমজোই অনীগী মরক্তা হুমাং অনপ্পী কাখ্রে । ব্রজেন্দ্রনা মাগী লেংবান্দগী খদর ইনফী লৌথোক্তুনা হুমাই হুমখ্রে । ঙাইহাক লৈরগা ব্রজেন্দ্রনা বুদ্ধি তারক্তুনা ঐঙোন্দরা মীঙোন্দরা য়েংখ্রিবসি হায়দুনা ফম্মিন্নবশিং অদু কোয়েং য়েংবদা খ্বাই ময়ামদু মরু লুকথদুনা পুক্নিং চংনা ঈশৈ তারমই ।

মনম নুংশিরবা লৈ অদু মপুন্সী তেল্লবনি মরমদি মপুন্সী ককথৎতুনা মনমদা হাপচিনখ্রবা মাল্লে । ৱা ঙাংথোকপদা ইকাইথিরবী নুপীমচা অদু মমীত্তা মরোল লোনবনি । মরমদি মচিনগী লোন অদু মমীত্তা হাপখ্রমাল্লে অদুনবু বিধাতা হায়রিবনি । নুপীমচা অদুগী মীৎচিগী মরোনদগী ব্রজেন্দ্রনা মাগী পুক্নিংগী লাংতক্লবা ভাব অদু খরা ফংখি ।

ব্রজেন্দ্রনা নুংশিবগী অহানবা থাক্তা নুপীমচা অদুবু উবদা পাখৎলুরে । খল্লকই, "ওন্থোক্লা ফজৈদা ইপা ইমানা লুহোংবিরমদ্রবদি ইশানা খঞ্জদুনা অসিগুম্বী নুপীমচা অমতং লৈরম্লবদি কয়াদা পুক্নিং হরাওনা ঐগী পুন্সী লেল্লমগবা ঐগী য়ুমগী লৈহৌরিবী নুপী অদুদি মশকসু মুন্না য়েংদ্রি, অমুক ফজরমগনি হায়বসু থাজদে-মরমদি শকফজবা হায়বসি অতাংবা পোৎনি, পঙনা থোকপা নত্তে ।"

**97.** পাখং লৈশাবী মৌনহাশিংগী পূক্নিং লাংতক্লবগী মরম করিনো ?

(1) বৃন্দাবনগী অমুবা থাদু অমুক হন্না থোক্লকখিনি খন্দবগীনি

(2) থাবল ফবা অহিংদা পাখং লৈশাবীশিংনা মান্দব চঞ্জবগীনী

(3) শংবান্নবা অতিয়া উবদা পূক্নিং ৱাবননি

(4) থাবল ফবা অহিংদা পাখং লৈশাবী মৌনহাশিংগী পূক্নিং লাংতক্লবা মরমদি থাবল ফবা অহিং ওইবগীনি

**98.** ব্রজেন্দ্রগী পূক্নিং পেৎথরকপগী মরম করিনো ?

(1) ময়ুমদা লৈহৌরীবী মালতীবু মরান ইলৈ লৈতনা শাওরুরে খল্লকপদগীনি

(2) মমাঙদা তারিবা পান তাঙ্গদু শিংগুপ শানা শেগাইবগীনি

(3) নুপী নহা ময়াম ফল্লিবা মায়কৈ য়েংলুবদগীনি

(4) লৈহাউ লৈরেনগুম্বী নুপী মচা অমনা হুরান্দুনা য়েংবগীনি

**99.** ব্রজেন্দ্র মাগী থম্মোয় খঙহৌদনা থক লাউনা পাল্লরিবসী মরম করিনো ?

(1) খদর ইনফী লৌথোক্তুনা হুমাই হুমবগীনি

(2) মাবু হুরান্দুনা য়েংলম্বা নুপী অমা উবদগীনি

(3) মিহুন ফ্রং ফ্রং চোংবগীনি

(4) ব্রজেন্দ্রনা নুপী অমা উরুবদগীনি

**100.** ব্রজেন্দ্রনা পৈনা য়েংথোকখিবদা করি উবগে ?

(1) ব্রজেন্দ্রনা য়েংথোকখিবদা মীয়াম উই

(2) মানা মী খরা উই

(3) ইকাইবনা ইকাইথবী মনাগুম্না উমশিনখ্রবা নুপী অমা উই

(4) ব্রজেন্দ্রনা হ রাওবা নুপী অমা উই

**101.** ব্রজেন্দ্রনা কোয়েং য়েংবদ করি উখিবগে ?

(1) খ্বাই ময়ামদু পূক্নিং চংনা ঈশৈ তাবদু উখি

(2) মী খরা হরাওনা উই

(3) মানা ময়াম ৱা-ৱা নোকপা উই

(4) মীয়াম্না মাবু য়েংলম্মী

**102.** মনম নুংশিবা লৈ মপূন্সী তেল্লবনি হায়রিবসি করিগীনো ?

(1) মরমদি মপূন্সী ককথৎতুনা মনমদা হাপখিবননি

(2) মনম নুংশিবগীনি

(3) ঈশিং চাইবিদবননি

(4) লৈ হেকপননি

**103.** ৱা ঙাংথোকপদা ইকাই থিরবী নুপীমচাগী মরোল কৰম্না লোনবগে ?

(1) শাওবদা মরোল লোনবনি

(2) হরাওবদা মরোল লোনবনি

(3) নুপীমচাদুদি মীনোক্তা মরোল লোনবনি

(4) নুপীমচা অদু মমীত্তা মরোল লোনবনি

**104.** ব্রজেন্দ্রনা নুপীমচাগী পূক্নিংগী লাংতক্নবা ভাব কৰম্না ফংখিবগে ?

(1) বিধাতাদগী ফংখি

(2) নুপীমচাদুনা নোকপদগী ফংখি

(3) মচিনগী লোল অদু মমীত্তা হাপখ্রে

(4) নুপীমচা অদুগী মীৎচিংগী মরোনদগী ফংখি

**105.** শাবী শানৌসিংগী নুংশিনবা হায়বসি থাক কয়া শুবগে ?

(1) অনি শুবদা অমসুং অহুমশুবদা ইকাই-নুংশি যান্নে

(2) অহুম শুবদা ঙাওনৈ

(3) অহানবদা ব্রজেন্দ্রনা নুপীমচাদু উবদা পাখৎলুরে

(4) থাক অহুম শুই

*তৌগদবা মওং তাকপা : মখাগীশিংদগী খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা পাউখুম পীয়ু । (ৱাহং 106 দগী 120 ফাওবা)*

**106.** লোন তম্বগী "critical period" হায়বসি –

(1) লোন প্রোজেক্টকী শেম-শাবগী খ্বাইদগী ফবা মতমদুনি

(2) মহৈরোইশিংগী লোন ফজনা ঔরাইনবা মতম তোঙান্না থম্বদুনি

(3) লোনবু - হেন্না লাইনা অতোপ্পা মতমশিংদগী লায়না তম্বা যাবা মতমদুনি

(4) মপুং ফাবা চাংয়েং ক্লাসতা লৌবগী মমাংগী মতমদুনি

**107.** অশংবা ৱারোল ইন্নবা হৈ-শিংবগী (skill) দরকার লৈরিবসি –

(1) অচৌবা অমসুং পোইন্ত মচাশিং খংদোকপা অমদি ৱাখলগী মথক-মখা খংদোকপদুনি

(2) Conjunction শিজিন্নরগা চপ-চানা ইবনি

(3) ৱাহৈগী মহুত্ত সিম্বোল শিজিন্নবা অমসুং চপ-চানা ইবগীনি

(4) লাইরিকপু (text) অর্থ মান্নবা খন্দুনা ইশাগী লোন্দা ইথোকপসীনি

**108.** মহৈরোইশিংনা অরুবা tense মখলশিং খংদোক্নবা পাম্বৈদি –

(1) লোনগী কয়াৎশিং ক্লাসকী মপান্দা তম্বদুনি

(2) মহৈরোইশিংনা মশেন তিন্নরগা ময়াম্না ঙাংনবা লোন্দা য়ুমফম ওইবা (লোনগী) কয়াৎশিং ওইরাইবদুনি

(3) অকক্নবা ৱাহৈ পরেংশিংগী মওং ঔরাহনবা খুদোং চাবা ময়াম পিবদুনি

(4) মহৈরোইনা মশাগী ৱাহৈ পরেংশিং শেম্বদা ওঝানা মতেং পাংবদুনি

**109.** CCE হৌদোকপদগী –

(1) লাইরিক তম্বদা হেন্না ৱাহনলি

(2) ওঝাশিংনা হেন্না মহৈরোইশিংবু লাকশিনবা ঙম্মী

(3) মহৈরোইশিংগী চাংয়েং চাং নাইনা লৌই

(4) মহৈরোইশিংনা মখল-মখা কয়াগী হরাও অয়াম্বা ফংই

**110.** "Creative Reading" গী খুদমসি –

(1) অতোপ্পা মওংদগী drama ওইনা পুথোকপা, মওং-মওংগী শক্তম শান্নবা অমসুং হন্না ইবনি

(2) অর্থ খংনবা পাবনি

(3) চেল্লিবা মনুংগী ৱাখল (theme) গী মতাংদা হেন্না লাইরিক পাবদুনা

(4) Internet তগী হেন্না মচাক লৌবনি

**111.** মরু ওইববু চাওখোম থোম্বা (skimming) হায়বসি করিনো ?

(1) দরকার লৈবা মচাকশিং অইবা মওংদা ওইহনবদুনি

(2) পারিঙৈদা ৱাখলশিংগী (ideas) মতাংদা অচুম অরান পিবদুনি

(3) লাইরিক্তা (text) য়াওবা মচাক, ৱাখল নত্রগা শব্দপ্পা মওং অদুবু থুনা য়েংবনি

(4) কান্নদবা অককনবা মচাকশিং লাইরিক্তগী খংলৌ লৌথোকপদুনি

**112.** লাইরিক্কী (textual cohesion) মথং-মনাও হায়বসি –

(1) মওং নাইদবা মচাকশিং শাংনা মখা তানা ইবদুনি

(2) প্রোনাউন, কনজংসন নত্রগা অর্থ মান্নবশিং শিজিন্নদুনা পেরাগ্রাফশিং ৱাহৈ পরেংশিং শাগৎপদুনি

(3) পেরাগ্রাফকী মওং-মতৌ ৱারি-লিবগা চান্নহনবদুনি

(4) মচাকশিং (data) মওং নাইনা উৎপগী মওংনি

**113.** তশেংনা তাবা (authentic listening) হায়বসি

(1) মহৌশাগী ওইবা ৱা ঙাংনবা নত্রগা record তৌরবা ৱা ঙাংবা তাবনি

(2) তংখাই ইরবা ৱা নত্রগা খুদক্তা ঙাংবা ৱা লাউনা ওঝানা পাথোকপদুনি

(3) থবক অমা তৌবগী অকক্লবা মচাকপু মুন্না তাবদুনি

(4) তাবগী মতমদা অতাবা মীনা থবক লোইশিনবদুনি

**114.** করম্বা মগুন্না ইবসি ঙাংবদগী খেন্নহনবগে ?

(1) গ্রামারগী মওংশিং নকশিন্না চৎত্ববদুনি

(2) মহৌশানা লোইশিন্দবদুনি

(3) হনজিনবা ৱাৎপদুনি

(4) হেন্না ফজনা তৌবগী মখা পোনবনি

**115.** ইংলিশ লোনগী ক্লাসতা অমগা অমগা ৱারি শান্নবা (Reciprocity & Speech) হায়বসি –

(1) কনাগুম্বা অমগী ৱা ঙাংবা নত্রগা অইবগী ফলদুবু মচাক ওইনা পিবনি

(2) মী অনি ঙাংনবা (dialogue) গী মাইয়োক্তা অমখক্তনা ঙাংবা নত্রগা পথাপ-নাইনা (formal speech) ঙাংবদুনি

(3) লোনবু খুদক্তা অমসুং থাজনা লেপ্তনা ঙাংবদুনি

(4) তারিবা মীশিংদুগী পাওখুম য়েংলগা ৱা ঙাংনবদুনি

**116.** খোন্থোক্কী মথং-মনাও (sound sequence) সি মহৈরোইগী ঙাংবগী হৈ-শিংবা লাকহনবদা করম হায়না শিজিন্নগদগে? মখাগীশিংসদগী অমনা ওইগনি, খন্দোকউ ।

(1) Cartoon নত্রগা অতোপ্পা মিৎনা উবা মওংশিং শিজিন্নরগা ৱা ঙাংন্নবগী মরম শাগৎপদুনি

(2) মহৈরোইশিংবু মখোয়না খংবশিংগী মতাংদা মখোয়গী ওইবা ৱারি লিহনবদুনি

(3) হান্না record তৌরবা খোন্থোক্কীশিং তাহনলবা মতুংদা মহৈরোইশিংবু ৱাহনখোক্কা লোইন্ননা হায়হনবদুনি

(4) ৱা ঙাংবা (spoken activity) য়াওহনল্লগা চিনহায় তৌবনি

**117.** মথন্তা ঙাংবগী (monologue) sub-skill অহুম খংদোকপসি –

(1) খোনখোক্কী মগুণ, ৱাঙাং-ৱাতা, অঙাংবা মীগী মওংদনি

(2) অঙাংবা মীনা ৱারোই তাবা (inference by speakers), খোনহায় (tone) অমসুং লৌখৎলিবা ৱাদুগী তুং-মাংদা লৈবা ৱাফমনি (context)

(3) মওং-মতৌ, য়েংবদগী খংবা, ঙাংলিবা মীগী মওংদনি

(4) খোনহায় (tone), খোনগী মগুণ অমসুং খোনখোক্কী পুবা য়াংবদনি

**118.** ফজনা তমদবসি (acquisition of poor environment) –

(1) ইংলিশসি য়ুমদা ঙাংবদগীনি

(2) মহৈরোইশিংদা লোন ঙাংবা ফংদবগীনি

(3) হিন্দিনা/মমালোন্নাময়াম্না খংনবা (lingua-franca) ওইবননি

(4) ইংলিশ লোনবু ক্লাসকী কাদুদা ফংবগীনি

**119.** করম্বা জুরানা ("Cognitive Style") ওইবগে ?

(1) Active/Passive নি

(2) field গী মখা পোনবনি (field dependence)/field গী মখা পোন্দবনি (field independence)

(3) চাংদম্নবা/পুন্না তৌমিন্নবদুনি

(4) ইথোক্লগা তাকপা/ময়েক্কী অতাবীদুনি

**120.** থিবা হুশ্বদা য়ুমফম ওইরগা তম্বা (Enquiry based learning) হায়বসি –

(1) মহৈরোইশিংনা পুন্না হোৎন্নমিন্নরগা সমস্যাশিং খংদোক্লবা অমসুং মখোয়গী অঙাংশিংদুনা তম্বিবগী মওং য়াৎথোকপদুনি

(2) লোন তম্বিবগী চৎনবা মোৎ (theory) অমনি

(3) মওং তানা পুথোকপা তম্বগী হৈশিংবদু ঔরাইবা অমসুং পারাগী মনুংদা য়াওবদু তম্বনি

(4) অর্থগী ওইবা তমগদবা হিরম মচলশিংনি

Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for **MANIPURI** as **LANGUAGE – II**.

# PART V
# LANGUAGE II
# MANIPURI

*তৌগদবা মওং তাকপা : খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু । (ৱাহং 121 দগী 135 ফাওবা)*

**121.** লোন খঙ্বা (language acquisition) হায়বসি

(1) মশাগী লোন অমসুং অনিশুবা লোন তম্বদা মহৌশানা পিথোরকপা মীওইবগী পোকপদা য়াওরকপদু (innate capacity) শিজিন্নদুনা তম্বিবদুনি

(2) অঙাংশিংনা মশাগী লোন তম্বদা লোন তম্বগী ফিভম য়াংখৎহনবদা শিজিন্নবা মওংনি

(3) হন্না-হন্না হায়বা অমসুং দরকার লৈবা ৱাহৈশিং শিজিন্নবনি

(4) গ্রামার খংবা অমদি হন্ন-হন্না ৱাহৈশিং পাবগী পথাপ নাইবা নিয়ম চংই

**122.** Noam Chomsky গী "deep structure" হায়বসি –

(1) ইংলিশ হায়বা লোনসিনা খ্বাইদগী মতেং পাংবা লোন ওইবগীনি

(2) লোন পুম্নমক্কী নুংগী ওইবা নিয়ম (universal grammar) অমদি মহৌশাগী পিথোরকপা মীওইবগী পোকপদা য়াওবদুনি

(3) য়াম্না পারগা খংবা লোত্তুনা লৈবা গ্রামারগী নিয়মশিংনি

(4) Transformation grammar না Comparative Linguistics তা হেন্না মথোই হাপ্পদুনি

**123.** তম্বিবগী 'Bottom up Model' সি

(1) তম্বগী মওংসি শিনফমদা (career) ৱাখল খল্লগা তম্বদুনি

(2) মহৈরোইশিংদা নাকোইননা দরকার লৈবা অরাপ্পদগী (distance education) তম্বিবদুনি

(3) তম্বা হায়বসি তমগদবা হিরমশিংসি মহৈরোইশিংগী software শিজিন্নদুনা নুংঙাইনবা শেম্বনি

(4) মহৈরোইশিংনা তম্বদা হেন্না মনিং তম্না মখল কয়াগী তমগদবা হিরমশিং (Curriculum) তম্বা অমসুং মসিবু পুক্নিং থৌগৎলগা তম্বদুবুনি

**124.** Humanistic কী তম্বিবগী মওং (Humanistic Approach) অকক্লনা

(1) মহৈরোইশিংনা মশানা কয়াৎশিংবু (structure) খংবদুনি

(2) মথং-মনাও নাইনা মচাকশিং পুথোক্লবা তম্বিবনি

(3) তম্লিবা discipline খংবা হায়বসি মসিগা লোইনরিবা মগুণ খংবদুনি

(4) তমখ্রবা কয়াৎশিং, মনুংগী ওইবা পোৎশিং ৱাখলশিং, নিয়মশিং, অতৌবা মফমশিংদা পানবদুনি

**125.** "Special Needs Classroom" ফিদমনিংঙাই ওইরিবসি –

(1) তল্লিবা মহৈরোই মখল খুদিংমক পুন্না য়েংল্লগা উবদুনি

(2) ওঝাশিংবু মতেং পাংনবা অহেনবা ওঝাশিং হাপ্পদুনি

(3) মসিতগী ওইনা ফহনবদুনি

(4) তোঙান্না লৈবদুনি

**126.** হান্না পাবগী (pre-reading) মথৌসি করিনো ?

(1) পারাদু পাম্নবা তৌবনি

(2) মশানা নুংঙাইনা পান্নবনি

(3) অনৌবা ৱাহৈ তম্বনি

(4) মহৈরোইশিংগী গ্যান হেনগৎহনবনি

**127.** ৱাখল শুংথা থাদোক্তনবা মওং (Never Give up Attitude) য়াওহন্নবা চান্নবা থবক তৌবসি মহৈরোইনা –

(1) মহৈরোইশিংনা অরুবা ফিভম পুন্সিদা থেংনবদুনি

(2) প্রিনসিপলগী অয়াবা লৌরগা ইংলিশকী পিরিয়দতা শান্নবা থোকপনি

(3) ময়াম খংনবা ঈশৈ অনি শকপা অমদি মখোয়গী কলা অমসু খুৎ-শা হৈবগী (art and craft) থবকশিং মমা-মপাগা ওঝাগা উন্নবদা উৎপদুনি

(4) মখোয়গী চেশিংদুদা শেমদোক্লগা চাংয়েং অমুক তৌবা অমদি খ্বাইদগী ফবা মওংগী চাংয়েং হেন্না খংনবা তৌরগা থোক্লকপা মচাকশিংদু খংমিন্নবনি

**128.** এলিমেন্টরি চাংদা পাবগী চাংয়েংগি খ্বাইদগী হেন্না ফবসি –

(1) মখোয়না কয়াম পাথ্রবগে হায়বসি চিন্দা ঙাংনবগী চাংয়েংনা (oral interview) ওই

(2) ৱাহৈ য়াঙৈখ য়াওবা লাইরিক অনম্বা প্রোজেক মচা অমা ওইনা নৈন্নরগা য়েংবনা ওই

(3) Spoken quiz দা য়ুমফম ওইবা ৱাহৈশিংগী অমদি ৱাহৈ পরেংশিংনা ওই

(4) ৱারিদা য়াওবা অইবদা য়ুমফম ওইবা মগুনশিং অমসুং থৌদোকশিংনা ওই

**129.** নৈন্নগদবা হিরম শাগৎপসি (Curriculum Development) মখাগী মথং-মনাওসিনি

(1) দরকার লৈবা খংদোকপা, তৌগদবশিং শাগৎপা, লাইরিক (texts) খন্দোকপা, হান্না তম্বশিং খন্দোকপা, তৌনবা লেপথোকপা

(2) তৌগদবা শাগৎপা, দরকার লৈবা লেপথোকপা, লাইরিক খন্দোকপা, হান্নগী তমখিবশিং খংদোকপা

(3) তৌগদবশিং শাগৎপা, দরকার লৈবশিং য়েংবা, লাইরিকশিং খনদোকপা অসিনচিংবসিনি

(4) লাইরিক খন্দোকপা, হান্না তাথ্রবশিং, দরকার লৈবশিং খন্দোকপা, তৌগদবশিং শাগৎপা অমদি মওং তশেংনা খংদোকপনি

**130.** নাকোইননা তম্বদগী খংবা মহৈরোইশিংদ পিবা মেডিয়া (media) শিংদু –

(1) অমসুং কেস স্তদিনি

(2) দিসপ্লে বোর্ড (Display boards), ফিল্মগী মচেৎশিংনি

(3) তশেংবা পোৎশিং অমসুং নমুনাশিং নি

(4) ৱাখলগী ওইবা ৱাহৈশিং (abstract words)

**131.** কম্পুটরগী মতেং লৌরগা তম্বীবা (Computer Aided Instruction) অশেংবগী ওইনা (simulation mode) ফাওহনবসি –

(1) হৈনবা ওইরাইবা (exercises) মথং-মথং গা লোইন্নগা হন্জিন-হন্জিন্না ওইরাইবদুনি

(2) চুম্ব্রা লাম্ব্রা য়েংলগা অরেপ্পা খংদবা ৱাফমবু পান্বে পিবনি

(3) অশেংবা পুন্সিগী মরি লৈনবশিং অমসুং অথংবা অউবা পোৎশিংনি

(4) পোৎ অমগী খুদক্তা কান্নবা কান্নদবা য়েংলগা ৱাহং হংদুনা গ্যান খর ফংবদুনি

**132.** তানিংবগী খৌরাংবা পোকহনবা (Listening stimulus) সি –

(1) ফজবা ৱাঙাং অমা অমুক হন্না য়েংল্লগা তাবনি

(2) মহৈরোইশিংবু অপিবা থবক অমা মপুং ফানা তৌরগা পুথোকপা ঙমহনবনি

(3) মহৈরোই কাংলুপ মখন-মখন মখোয়না তারিবশিংদু পুনশিনলগা শরুক য়াম্নিনবগী মচাকশিংদু পিবনি

(4) গ্যানগী আহাংবশিং খুদম ওইনা খংনবা মওং পিদুনা তাকপদুনি

**133.** শরুক য়াম্নিনবগী চৎনবী (interaction routine) ৱা ঙাংলিঙৈদা খংদোকপসি –

(1) অতোপ্পা অমগা টেলিফোন্দা ৱারি শান্নবনি

(2) খংদোক্লবা হোৎন্নরিবা মীদুদা পোৎ অমা নত্রগা অনিদগী হেনবা নত্রগা মফম নত্রগা থৌদোক চাংদমনহন্নবনি

(3) অর্থ মতাং চনা খংদোকপা, ঙাংনবা হোৎনবা অদুগা অতোপ্পদসু ঙাংহনবনি

(4) স্কুল অমা নত্রগা মসিগী অকোয়ববু তাকপনি

**134.** ইবদা অমুক হন্না লৌথোক্লবগী হৈ-শিংবসি (Retrieval skills in writing) মখাগীসিনি

(1) মরি-লৈনবা থবকশিং য়াম্না হেন্না থবক তৌবগী অঙম্বদুনি

(2) মচাকশিং পারিঙৈদা নত্রগা তারিঙৈদা মথং-মনাও শেম্বনি

(3) নোট (note) শেম্বা অমসু নোট লৌবনি

(4) চৈথৈ শিজিন্নরগা য়েকপা (diagramming) অমসুং সুপচিনবনি (summarising)

**135.** গ্যান তাহন্নবগী (Awareness raising) গ্রামার গেমস (grammar games) না মহৈরোইদা পূক্নিং থৌগৎপসি –

(1) ওঝাশিংনা কয়াৎশিংবু (structures) য়েংশিনবিরিঙৈদা অর্থ খংনবা হোৎনবনি

(2) অপিবা হিরম অমদা হান্না তমখ্রবা কয়াৎশিং শিজিন্নদুনা অমগা-অমগা ৱা ঙাংনবনি

(3) মখোয়না তম্মুবা কয়াৎশিং (structures) গ্যান তানা খন্নবনি

(4) অপিবা থবক অমবু পুন্না তৌমিন্নরগা মপুং ফাহনবনি

*তৌগদবা মওং তাকপা : অসিদা ৱারেং মতেক অসি পারগা খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীয়ু । (ৱাহং 136 দগী 144 ফাওবা)*

## মরুপকী মতৌ

মরুপ শান্নবা নত্রগা ইতাও শান্নবা, নুপীগীনা ইতা শান্নবা হায়বসি মীওইবগী তাঙলবা মরলনি । চীংদা লৈবা মীশিংদা মৈতৈনা মীওই য়েংদুনা ইপা, ইমা, ইচন অমসুং লেংগাদনা মরুপ – ইতা অসুম হায়না মিংগৌনৈ । হায়রিবা মিংগৌশিংসিনা মীওইবগী য়াম্নমক নকুবা মরীনি হায়বা ফোংদোক্লে । তৈবমক্সু হায়রিবা মিংগৌসি কৌনদুনা লোয়নরিঙৈদা ফনা শাউনীংবা – নুংঙাইতবা ৱা লৈদুনসু মদু ৱোক্লিঙাই ওই, ৱোকপসু য়াওই । মসিগী ইরায় লায়রবা খুদমদা হায়রগা – তাথিবা ৱাহৈগী তেন্না থম্মোয় শোকপমুক মীওইবনা তানীংদুনতা লৈরিবা মিংগৌশিংসি নাকোংদা হেক তাবমক্তদা থম্মোয়দা য়াম্না থুনা পানফম থোকই, নুংঙাইফম থোকই । অদুগা মথক্তা হায়খ্রিবা মরী মতা থোকপদতা কৌনবা মিংগৌশিংসি ঐগী ঐগী ঈগী মরী থোকপা মীওইশিং অদুগুম্না অতোপ অতোপ্পা মীশিংদা মরী লিংখৎনীংদুনা শন্দোক্লা থিরকপনি ।

সংস্কৃত্তা 'মরুপ' হায়বসি ফোংদোক্লবা ৱাহৈ অহুম লৈ । মখোয়দু মতাং অসিদা নৈনদুনা খঙজিনবা ফৈ ।

(১) সুহৃৎ – মানা তৌবিখিবা উপকারদুগী করিগুম্বা উপকার – খুৎলং অমা তৌরকখিগনি হায়বগী ৱাখল তৌরুদনা মীগী ফননবা (উপকার) তৌরিবা মরুপ অদু সুহৃৎ কৌই ।

(২) মিত্র – নুংশিবতনা থোং ওইদুনা মীগী উপকার তৌরিবা মরুপ অদু মিত্র কৌই ।

(৩) বন্ধু – করিগুম্বা মরী-মতা অমা থোকপনা মরম ওইদুনা মীগী উপকার তৌরিবা মরুপ অদু বন্ধু কৌই ।

মৈতৈ লোলদা "হান্না য়ৈনৌ, কোন্না মরুপ শানৌ" হায়বা ৱাহৈ অমা লৈ । মসিগী ইঙ্গিত্তি মরুপ হায়বদি অমনা অমদা পুন্সি শীন্নিঙাইনি; অদুনা অমনা অমগী মপুক্লীং মরিল মুন্না খঙদোক্লগদবনি হায়বনি ।

ষণ অমা লৈবদদি ফনা মুন্না য়েংই, তৌইগুম্বসুং মরুপ অমা ফংবদদি করিসু থোইনা খলহৌদে; ইচম চম্বা মতৌ অমদি ঙাইহাক্তং নুংঙাইমিন্নরুবতনা মরুপ হেক্তা মওনখি । মতৌ তম্নদবা মীওই লৈতে । অঙাং ওইরিঙৈনা খরা ময়েক লানা মতৌ তম্নীংবা অমদি তম্নীংবগী মওং থেংনৈ । অদুগা অওইবমক্তি নহারোলদগী হৌরগা পুন্সি সক্ষ্যা য়ৌশিল্লবা মী ফাওবা মানা মানা নুংশিরুবা মতৌ তমজনীংবা মরুপ অদুগী মতৌ মরমচৎ ব্যবহারশিং তত্তনা নীংশিংই ।

**136.** মীওইবগী তাঙলবা মরল করিনো ?

(1) ইতা শান্নবা হায়বসি মীওইবগী তাঙলবা লননি

(2) নুংঙাইবা হায়বসি মীওইবগী তাঙলবা লননি

(3) খৎনদবা হায়বসি মীওইবগী তাঙলবা লননি

(4) মরুপ শান্নবা মীওইবগী তাঙলবা মরলনি

**137.** মৈতৈনা করম্না মিংগৌনৈ ?

(1) মৈতৈনা অচৌ-অপিক য়েংদুনা মিংগৌনৈ

(2) মৈতৈনা ফজবা থিবা য়েংদুনা মিংগৌনৈ

(3) মৈতৈনা মীওই য়েংদুনা ইপা, ইমা, ইচন অমসুং লেংগাদনা মরুপ-ইতা অসুম হায়না মিংগৌনৈ

(4) মৈতৈনা ফিজেৎ চাকচা য়েংদুনা মিংগৌনৈ

**138.** মিংগৌশিংসিনা করি ফোংদোক্লে ?

(1) মিংগৌনা মী নুংঙাইনদবা ফোংদোকই

(2) মিংগৌশিংসিনা মীওইবগী নক্লবা মরীনি হায়না ফোংদোক্লে

(3) মিংগৌশিংসিনা অরাপ্পা মরী-খণ্ডহল্লী

(4) মরি-মতা নক্লবসু মিংগৌনা ফোংদোকই

**139.** মিংগৌনা নুংঙাইতবা ৱাকপা করম্না য়াওহনবগে ?

(1) মিংগৌনা নুংঙাইতবা পুরকই

(2) নক্লবা মিংগৌনা শাউনীং-নুংঙাইতবা ৱাকপসু য়াওই

(3) মিংগৌনা নুংঙাইতবা পোকহল্লী

(4) মিংগৌনা অৱাবা পুরকই

**140.** মীওইবনা তানীংদুনা লৈরিবা মিংগৌশিংসি তাবদা করি পোকপগে ?

(1) মীওইবনা তানীংদুনতা লৈরিবা মিংগৌশিংসি হেক তাবদা থম্মোয়দা পানফম অমসুং নুংঙাইফম থোকই

(2) মীংগৌশিংসি তাবদা হরাওই

(3) মীংগৌশিংসি তাবদা অৱাবা ওইরকই

(4) মিংগৌশিংসি তাবদা থম্মোয় শোকই

**141.** করম্না মিংগৌশিংসি মীশিংদা মরী লিংখৎনীংদুনা শন্দোক্লা থিরকপগে ?

(1) মরী মতা থোকপদতা কৌনবা মিংগৌশিংনি

(2) মিংগৌশিংসি ঐগী ঈগী মরী থোকপা অদুগুম্না মীওইশিংগী মরী লিংখৎনীংদুনা শদোক্লা থিরকপনি

(3) মিংগৌশিংসি তাবদা নুংঙাই

(4) ঈগী মরী থোকপা মীওইনি

**142.** সংস্কৃত্তা 'মরুপ' ফোংদোক্লবগী ৱাহৈ মিত্র কদায়বু কৌবগে ?

(1) করিগুম্বা মরী-মতা অমা থোকপগী উপকার তৌবা মী

(2) মীগী ফনবা তৌবা

(3) মানা তৌথিবা উপকারগী খুৎলং অমা তৌরকখিগনি হায়বা খন্দনা মরুপ ওইবা

(4) নুংশিবতনা থোং ওইদুনা মীগী উপকার তৌরিবা মরুপ অদু মিত্র কৌই

**143.** মরুপ কুইনা শান্নগে হায়রবদি করি তৌবা তাই ?

(1) হান্না ফুনগনি

(2) মপূক্লিং মরিল খঙনরোই

(3) মরুপ হায়বসি পূন্সি শীন্ননিঙাইনি । অমনা অমগী পূক্লিং মরিল মুন্না খঙদোক্লগদবনি

(4) হান্না য়ৈনগনি

**144.** নুংশিবা মরুপকী মতৌ করম্না তমই অমসুং নীংশিংই ?

(1) মরুপ অদুগী মরমচৎ নীংশিংই

(2) নহাদগী অহল ফাওবা মীগী মতৌ তমই

(3) ইচম চম্বা মতৌ অমদি ঙাইহাক্তং নুংঙাইমিন্নরম্বা মরুপকী মতৌ নীশিংই

(4) নুংশিরুবা মতৌ তমজনীংবা মরুপ অদুগী ব্যাবহারশিং তত্তনা নীশিংই

***তৌগদবা মওং তাকপা:*** *মখাগী ৱারেং মতেকসি পারগা ৱাহংশিংসিগী (ৱাহং 145 দগী 150 ফাওবা) খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা পাউখুম পীয়ু ।*

মী পুন্নমক ফজনা লৈবা পাম্মী, ফজবা য়েংবা পাম্মী । নুপী খুদিংমক্লা মহাক্কী ইমুং মনুং অমসুং শুমাং থেলোংদা কাঞ্চীগী লৈকোল মচা অমা শেমজবা, লোকতাক্কী মমি অমতং তাহনজবা, হিমালয়গী দৃশ্য অমতং পুজরকপা অমসুং ড্রামাতিক খরতুক ওইহনবা পাম্বা ঙাক্তনি অদুবু নুপী খুদিংমক মান্নদে – শেনথুমগী মরমদা, য়ুম্বাল কৈবালগী ফিভমদা অপাম পামদ খনবদা অমগা অমগা মান্নবা নত্তে ।

অথীববু ফজনবা হোৎনবা, খর ফজববু অমুক হেন্না ফজনা হোৎনবা নুপীগী মহৌশানি । মপানগী ঈরাঙ খঙজদ্রবী অদুসু মাগী কেনা শাবা য়ূমগী মাঙ্গোল অদু লূনা ৱাই তৈথোকচরগা নোং হেক ঙানবগা ফক মচা অমা তরু তরু থাজে – মদুসু ইমুঙ লৈতেংলিবীনি । ঐখোয়না সোফা সেট য়াওদ্রবদি দ্রেসিং তেবল লৈত্রবদি ইমুঙ লৈতেংবা (House decoration) য়াদে হায়নসু লৌব চুমদে অদুগী মথক্তা কনাগুম্বীগী পুকনিংদা লৈতেংনিংবগী ইথিল য়াওদে হায়রবদি মদু অতাংবনি ।

ৱাদি ইমুঙ লৈতেংবা হায়বা, মসি য়াম্না পাক চাউরবা হিরম অমা ওইরমলে । চাউখৎলবা সমাজ অসিদা তম্বা অমসু চংঙকলে । অদুগা তমদবদি সুকহৈ মহৈরোইদ্রা হায়রবদি মদুমক্তি নত্তে ।

হৌজিক ভারত্তা অমসুং মীরৈবাক্তা ইমুং লৈতেংবা হায়বা অসিবু করি মিৎয়েংনা য়েংনরি ? মপালগী ৱাদি থমখিসী : ভারতকী সহর অচৌ অচৌবা ইন্টিরিয়র ডেকোরেসন হায়বা চাওরবা শিনফম অমা তন্নগী লৈ । স্কুল নচিংবা মফম অদুদদি বিষয় অসিবু য়াম্না পাক চাউনা নৈনবা জাৎনি । ঐথোয়না লৈনরিব য়ুমবু লৈতেঙবত নত্তনা হোটেল অমা করম্না লৈতেংগনি, সিনেমা হোল অমা করম্না লৈতেংগনি, এসেমব্লী গুম্বদুদনা করম্বা মওংগী লৈতেং শিজিন্নগনি অসিনচিংবা মখল মখা তম্বীবনী । মদু খঙলুবগী হৌজিক ঐথোয়দা কান্নদরী । মণিপুরদসু অদুগুম্বা স্কুল লৈরকপা য়াই । মতম অদুদা নুপীগা পক্লবা অনৌবা শিনফম অমা ঐথোয়সু ফংগনি । হৌজিক মতমগী নুপীশিংনা ভারত ৱাঙমা লান্না ফাউবা ইমুঙ লৈতেংৱা তম্বা চৎনরী । অদুনদি "হেঃ ইবেম্মা, খর চার, খর শেংলা পংলৈমলৈশি" অসুম্না পিৎ-নাম্থোকপা য়াদরে ।

**145.** কনানা ইমুং-মনুং অমসুং শুমাং-থেলোংদা কাঞ্চিগী লৈকোল শেম্বা পাম্মী ?

(1) অহন ওইবশিংনা পাম্মী

(2) নুপাশিংনা পাম্মী

(3) নুপী খুদিংনা পাম্মী

(4) লৈশাবী পাথংশিংনা পাম্মী

**146.** নুপী খুদিংমক্লা করি মতাংদা মান্নদবগে ?

(1) য়েন্শাং-নাপী চাবগী অপাম্বা খম্বদা মান্নদে

(2) শেন-থুমগী মরমদা য়ুম্বাল কৈবালগী ফিজিনদা আপাম-পামদা খনবদা মান্নদে

(3) ফিরোল খম্বদা আপাম-পামদা মান্নদে

(4) সনা-লুপাগী অপাম্বা খম্বদা মান্নদে

**147.** নুপীগী হৌনশাসি করিনো ?

(1) অথিববু ফজনবা, খরা ফজববু অমুক হেন্না ফজনবা হোৎনবা নুপীগী মহৌশানি

(2) লৈশাবী মচাশিংবু হেন্না ফজহনবা মহৌশানি

(3) ফজববু হেন্না থিনবা হোৎনবসি নুপীগী মহৌশানি

(4) ফজরম্বা নুপীবু হেন্না মগুণ হাপকৎপনি

**148.** ইমুং লৈতেংলিবসি –

(1) য়ুমগী সিরি মনাক্তা গমলা থম্বদুনি

(2) য়ুমগী মাঙ্গোল ৱাই তৈথোক্লগা ফক মচা অমা তরু না থাবদুনি

(3) য়ুমগী মাঙ্গোল কাচিন্দা সোফা অমা থাবদুনি

(4) মাঙ্গোন্দা টেবল-চৌক্রি থাবদুনি

**149.** পাক-চাত্তরবা হিরম অমা ওই হায়রিবসি করিবুনো ?

(1) শঙ্গোয়দা ফিনা লৈতেংববুনি

(2) য়েনখাদা নাপী ফান্দোকপবুনি

(3) শুমাং-মাঙ্গোন ৱাই তৈথোকপবুনি

(4) ইমুং-মনুং লৈতেংববুনি

**150.** কদাইদা ইন্টিরিয়র ডেকোরেসনবু নৈন্নবগে ?

(1) স্কুলদা পাক-চাওনা নৈনৈ

(2) মহৈরোইশিংনা মখোয়-মশেন নৈনৈ

(3) লৈকাইদা ফজনা নৈনৈ

(4) মমা-মপানা তাক্লগা নৈনৈ

# SPACE FOR ROUGH WORK

*মখাদা পীরিবা নীতি-নীয়মশিং (instructions) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ :*

1. OMR অন্সর শীট কী অনীশুবা নাকন্দা ৱাহং খুদিংমক্কী পীরিবা কলম (column) মরিদুগী মনুংদা শুপ্নগী অচুম্বনি খল্লবা মফম অদুখক্তদা ব্লু নত্রগা ব্লেক বোল পোইন্ট পেন্না ময়েক শেংনা মার্ক (mark) তৌগদবনি । অতোপ্পা মফম অমদা অনীশুনা মার্ক তৌবা য়াদে ।
2. কেন্দিদেট শিংনা অন্সর শীট তু থুপচিনবা, থেকচিনবন চিংবগী মওং অমত্তা তৌবা য়াদে । অন্সর শীট তা রোল নম্বর ইননবগীদমক্তা থমলিবা মফম অদুখক্তদা নশাগী রোল নম্বর ইগদবনি । অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইশিনবা, য়েকশিনবা তৌবা য়াদে ।
3. টেষ্ট বুকলেট (কোইসন পেপর) অমসুং অন্সর শীট অদু য়াম্না চেকশিনগদবনি, করিগুম্বা মরম অমত্তদসু (শুপ্নগী টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী নম্বর মান্নরমদবদগী শিন্দোকপা নওনা) অনীদু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবা য়ারোই ।
4. কেন্দিদেট শিংনা টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী code অমসুং নম্বর অদু Attendance Sheet তা ময়েক শেংনা চুম্না ইগদবনি ।
5. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল/room দা মশাগী Admit Card নত্তনা করিগুম্বা মখলগী লাইরিক, অনম্বা চে-চাং, পেজর, মোবাইল ফোন, ইলেকট্রোনিক্স ডিভাইস নচিংবা পোৎ অমত্তা পুশিনবা য়াদে ।
6. ইনভিজিলেটর না হংলপ্পগা কেন্দিদেট শিংনা মশা-মশাগী Admit Card পুথোক্কদবনি ।
7. কেন্দিদেট অমত্তনা সুপরিনটেন্দেন্ট নত্রগা ইনভিজিলেটরগী অয়াবা য়াওদন মশাগী ফমফম থাদোকপা য়াদে ।
8. কেন্দিদেট শিংনা মশাগী অন্সর শীট তু ইনভিজিলেটর দা পীরমদনা অমদি এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদনা পরিক্ষা হোল থাদোকপা য়ারোই । মশাগী অন্সর শীট তু পীরম্লবসু এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদ্রবা কেন্দিদেট শিংদি unfair means কী case ওইনা লৌগনি ।
9. পরিক্ষা হোল মনুংদা ইলেক্ট্রোনিক/মেন্যুল কালকুলেটর শীজিন্নবা য়াদে ।
10. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল মনুংদা পরিক্ষা থারিঙৈদা বোর্ডকী Rules and Regulations ঙাক্লা চৎকদবনি । Unfair means নচিংবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকলকপদা বোর্ডকী Rules and Regulations কী মতুংইন্না ৱারেপ লৌগনি ।
11. টেষ্ট বুকলেট নত্রগা অন্সর শীট কী করিগুম্বা মফম অমত্তদা শেগায়-তুগায়বনচিংবা তৌবা য়ারোই ।
12. **পরিক্ষা হেক লোইবগা কেন্দিদেট শিংনা মাগী-মাগী অন্সর শীট তু পরিক্ষা হোলদুদা লৈরিবা ইনভিজিলেটর দুদা খুৎশিন্নরম্লগা মশা-মশাগী টেষ্ট বুকলেট তু পুরগা থোকখিগদবনি ।**

**READ CAREFULLY THE FOLLOWING INSTRUCTIONS :**

1. Out of the four alternatives for each question, only one circle for the correct answer is to be darkened completely with Blue/Black Ball Point Pen on Side-2 of the OMR Answer Sheet. The answer once marked is not liable to be changed.
2. The candidates should ensure that the Answer Sheet is not folded. Do not make any stray marks on the Answer Sheet. Do not write your Roll No. anywhere else except in the specified space in the Answer Sheet.
3. Handle the Test Booklet and Answer Sheet with care, as under no circumstances (except for discrepancy in Test Booklet Code or Number and Answer Sheet Code or Number), another set will be provided.
4. The candidates will write the correct Test Booklet Code and Number as given in the Test Booklet / Answer Sheet in the Attendance Sheet.
5. Candidates are not allowed to carry any textual material, printed or written, bits of papers, pager, mobile phone, electronic device or any other material except the Admit Card inside the examination hall/room.
6. Each candidate must show on demand his / her Admission Card to the Invigilator.
7. No candidate, without special permission of the Superintendent or Invigilator, should leave his / her seat.
8. The candidates should not leave the Examination Hall without handing over their Answer Sheet to the Invigilator on duty and sign the Attendance Sheet twice. Cases where a candidate has not signed the Attendance Sheet a second time will be deemed not to have handed over the Answer Sheet and dealt with as an unfair means case.
9. Use of Electronic / Manual Calculator is prohibited.
10. The candidates are governed by all Rules and Regulations of the Board with regard to their conduct in the Examination Hall. All cases of unfair means will be dealt with as per Rules and Regulations of the Board.
11. No part of the Test Booklet and Answer Sheet shall be detached under any circumstances.
12. **On completion of the test, the candidate must hand over the Answer Sheet to the Invigilator in the Room / Hall. *The candidates are allowed to take away this Test Booklet with them.***

**निम्नलिखित निर्देश ध्यान से पढ़ें :**

1. प्रत्येक प्रश्न के लिए दिए गए चार विकल्पों में से सही उत्तर के लिए OMR उत्तर पत्र के पृष्ठ-2 पर केवल एक वृत्त को ही पूरी तरह नीले/काले बॉल पॉइन्ट पेन से भरें । एक बार उत्तर अंकित करने के बाद उसे बदला नहीं जा सकता है ।
2. परीक्षार्थी सुनिश्चित करें कि इस उत्तर पत्र को मोड़ा न जाए एवं उस पर कोई अन्य निशान न लगाएँ । परीक्षार्थी अपना अनुक्रमांक उत्तर पत्र में निर्धारित स्थान के अतिरिक्त अन्यत्र न लिखें ।
3. परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र का ध्यानपूर्वक प्रयोग करें, क्योंकि किसी भी परिस्थिति में (केवल परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र के संकेत या संख्या में भिन्नता की स्थिति को छोड़कर) दूसरी परीक्षा पुस्तिका उपलब्ध नहीं करायी जाएगी ।
4. परीक्षा पुस्तिका / उत्तर पत्र में दिए गए परीक्षा पुस्तिका संकेत व संख्या को परीक्षार्थी सही तरीके से हाज़िरी-पत्र में लिखें ।
5. परीक्षार्थी द्वारा परीक्षा हॉल/कक्ष में प्रवेश कार्ड के सिवाय किसी प्रकार की पाठ्य सामग्री, मुद्रित या हस्तलिखित, काग़ज़ की पर्चियाँ, पेजर, मोबाइल फोन, इलेक्ट्रॉनिक उपकरण या किसी अन्य प्रकार की सामग्री को ले जाने या उपयोग करने की अनुमति नहीं है ।
6. पूछे जाने पर प्रत्येक परीक्षार्थी, निरीक्षक को अपना प्रवेश-कार्ड दिखाएँ ।
7. अधीक्षक या निरीक्षक की विशेष अनुमति के बिना कोई परीक्षार्थी अपना स्थान न छोड़ें ।
8. कार्यरत निरीक्षक को अपना उत्तर पत्र दिए बिना एवं हाज़िरी-पत्र पर दुबारा हस्ताक्षर किए बिना परीक्षार्थी परीक्षा हॉल नहीं छोड़ेंगे । यदि किसी परीक्षार्थी ने दूसरी बार हाज़िरी-पत्र पर हस्ताक्षर नहीं किए तो यह माना जाएगा कि उसने उत्तर पत्र नहीं लौटाया है और यह अनुचित साधन का मामला माना जाएगा ।
9. इलेक्ट्रॉनिक / हस्तचालित परिकलक का उपयोग वर्जित है ।
10. परीक्षा-हॉल में आचरण के लिए परीक्षार्थी बोर्ड के सभी नियमों एवं विनियमों द्वारा नियमित हैं । अनुचित साधनों के सभी मामलों का फैसला बोर्ड के नियमों एवं विनियमों के अनुसार होगा ।
11. किसी हालत में परीक्षा पुस्तिका और उत्तर पत्र का कोई भाग अलग न करें ।
12. **परीक्षा सम्पन्न होने पर, परीक्षार्थी कक्ष / हॉल छोड़ने से पूर्व उत्तर पत्र कक्ष-निरीक्षक को अवश्य सौंप दें । *परीक्षार्थी अपने साथ इस परीक्षा पुस्तिका को ले जा सकते हैं ।***